**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) খৃষ্টমাস কুম্হৈ, নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরদসু কুম্হৈ অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শারে।

২) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি জাতিগী মেথমেতিক্স নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

৩) ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমীৎতসু মফম কয়াদগী মীয়ামা মেলা অসি য়েংবা লাকখি।

৪) অফবা লৈঙাক সাসনগী চয়োল পালন ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং নিউজিলেন্দনা লৈবাক অনিমক্তা কান্নগদবা ঐতিহাসিক ওইরবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট য়ান্নখ্রে।

------

খৃষ্টমাস (এল)ঃ খৃষ্টমাস কুম্হৈ হৌগদবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা কুম্হৈ অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শান্নরে। খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা মপুং ওইনা খুন্দাবা চীংগী জিলাশিংদা কুম্হৈ অসি হরাউ তয়ামা পাঙথোকবা শেম শান্নরি। চর্চশিং লৈতেংদুনা, খৃষ্টমাস কেরোল শক্কুনা য়ুম য়ুম

চংদুনা অমদি মচু কয়াগী মৈ থানদুনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

তোঙান তোঙানবা চীংগী জিলা কয়াদসু খৃষ্টমাস কুম্মৈ পাঙথোকবা মথুম মরাং হৌনা শেম শান্নরি।

মেথমেতিক্স ডেঃ লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মেথমেতিক্স নুমিৎ পাঙথোক্লি। মেথমেতিক্সিয়ান শ্রিনিভাসা রামানুজনগী মপোক নুমিৎপু নিংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

জাতিগী মেথমেতিক্স নুমিৎ মনিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেতিক্সনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। রিসেন্ট ত্রেন্দস ইন মেথমেতিক্স হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা অঙ্কগী মতাংদা কনফরেন্স অমসু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া নিউ দিল্লিগী সেন্তর ফোর থিওরিতিকেল ফিজিক্সকী দাইরেক্তর প্রোফেসার সুসান্ট জি. ঘোস, আই.আই.টি গুৱাহাতিগী মেথমেতিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার স্বারুপ নন্দন বোরা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মেথমেতিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ- প্রোফেসার কে. বিনোদ মঙাং য়াওনা শকাইরবা ওজাশিং অমদি স্কোলার কয়ানা শরুক য়াখি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেতিক্স অমসুং ষ্টুদেন্টস ফোরম ফোর মেথমেতিক্স, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, মণিপুরনসু নুমিৎ অসি হয়েং ফাওবা পাঙথোক্কনি।

বুক ফ্যের(এল)ঃ ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমীৎতা চৈথারোল কুম্বাবগী মতাংদা ওপন ক্যুইজ কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখি। চাংদমবা অদুদা লুপখুবা লুপ টিমনা অহানবা, লুপলেন লুপ টিমনা অনিসুবা অমসুং চীংগী চীংচালুপ টিমনা অহুমসুবা তাখি।

লাইরিক্কী মেলা অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাকপা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিং য়াওনা মীওই কয়ানা নুমিৎ খুদিংগী লাক্লি।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথুগদবা মেলা অসিগী হয়েং ৯ নি চনবা নুমিৎতা ফঙ্কসনিং ওফ এন.জি.ও-ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন রন পাব্লিক লাইব্রেরিজ হায়বা হিরমদা কেপাসিতি বিল্ডিংগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃড্রগ দিজাইনিং, মোলেকুলর দোক্কিং এন্দ সিমুলেসন্স হায়বা হিরমদা জাতি থাকী নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি তাকয়েলপাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী বাইও টেকোলোজি রিজনেল ইনোভেসন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদুদা রিছার্স তৌরিবা মীওইশিং, বৈগ্যানিকশিং, পি.ঐচ.দি স্কোলারশিং অমদি মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি। মণিপুরগী মপানদগী য়াওনা লম অসিদা খঙ হৈরবা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা ৱার্কসোপ অদুদা ৱা ঙাংখি।

চয়োল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অফবা লৈঙাক সাসনগী চয়োল পালনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সবদিভিজনেল ওফিসার অমসুং ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসারশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা অফবা লৈঙাক সাসন লৈহন্দুনা মীয়ামদা মদুগী কান্নবা নিংথিনা ফংহন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা মীৎতা ঙৌদোং লৈবশিং খঙদোকপা অমসুং ওপরেসন তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৪৭ লায়েংখি। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার থৌবালনা শিন্দুনা ঙসি তেকচম হাইস্কুল গ্রাউন্দদসু ঙৌদোং লায়না খঙদোকপগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ৬০ রোম চ্যেক তৌবদা মীওই ২১ ঙৌদোং লায়না লৈরম্বা থেংনখি।

মেদিতেসন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী এস.আই.আরগী কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা ঙসি ৱার্ল্ড মেদিতেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। গ্লোবেল পিছ এন্দ হারমোনি হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা আর্ট ওফ লিভিং বেঙ্গলুরুগী স্বামি প্রেম স্বারুপ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ নেভেদিতা লাইরেনলাকপমচিংবা শরুক য়াখি।

কার্দ (এল)ঃ রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট পৌরাবীনা পুন্না শিন্দুনা সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম.জে.এ.ৱাই কার্দ শাবা, পেন্সন কার্দ অমসুং আধার কার্দশিং অপদেট তৌবা অমসুং মীৎতা ঙৌদোং লৈবা খঙদোকপগী অখন্নবা থৌরমশিং ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা মীৎতা ঙৌদোং লৈবা অহল ওইরবা মীওই ৫৪ মশক খঙদোকপা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ মণিপুরদা নিংথম থা মপুং ফানা চংলকপগা লোয়ননা মীরমদগী পাইরকপা উচেকশিং লোক্তাক পাৎতা চাক্তারবগী চাংসু তপা তপা হেনগৎলক্লি। মমাঙ থা লোইরমদাইদগী উচেকশিং লোক্তাক পাৎতা চাক্তাবা হৌরকখিবনি। মথং থা হৌগৎলকপা ফাওবদদি চাক্তারবা উচেক্কী মশিং অমসুং মখল য়ামা নিংথিনা হেনগৎলবা য়াই হায়না থাজনরি।

এৱার্দ (এল)ঃ হাইদ্রবাদতা পাঙথোকপা ইন্তরনেসনেল সোর্ট ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ দা মণিপুরগী পরশুরাম থিংনামগী সোর্ট ফিলম- টোই গননা ফার্ষ্ট রন্নরঅপ তারে। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগা ঙরাং লোইশিনখিবনি। ফিলম অসিদা খুৎলায়গী মুকবা লৈবা লমদম অমদা লৈরিবা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখলদা নোংমৈগী মমি তারিবা অদু অতেনবা ফিলম অসিদা

ময়েক শেংনা উৎলি। অতেনবা ফিলমশিংগী অথোই অহেন তান্নবা অসিগীদমক পুন্না সোর্ট ফিলম ৭০৫ পীখৎলকপগী মনুংদা ৬০ খক্তমক চাংদমবা য়াওনবা খনগৎখি। চাংদমবা অদুদা টোই গন্না অনিসুবা মফম ফংবা ঙমখিবনি। মনা অসিদা সার্তিফিকেট অমসুং লুপা লিশিং ৭৫ য়াওরি।

ওকপা (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা লাইফটাইভ এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০২৩ পীদুনা ইকায় খুমখ্রবা টি.ঐচ. তোম্বী সিংহবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খুরাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু থোইদিংজম শাগে কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

মসরুম (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং কিষান দিবস কম নেসনেল মসরুম ডে পাঙথোক্কদৌরি। পালন অসিগী কুমশিগী হিরমদি মসরুম এজ ফঙ্কসনেল ফুডস হায়বসিনি। নুমিৎ পালন অসি আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ. রিজন মণিপুর সেন্তর লমফেলপাৎনা এ.আই.সি.আর.পি-মসরুম, এ.আই.সি.আর.পি ওন সিদ (ক্রোপস), এ.বি.আই, টি.এস.পি অমসুং মসিগী কে.ভি.কে মঙানা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লমেফেলপাৎকী আই.সি.এ.আর কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদা লৌমীশিংগী মেলাদা মণিপুরগী চেঙ্গুম থাবা মীওইশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা শরুক য়াগনি।

রুপমহল (এল)ঃ রুপমহল থিয়েটরগী ৮৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং ৩৪ মৈত্রম বিরা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং নুংথিল থিয়েটর অসিদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগা খুৎশমদুনা ২৪ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেল হৌদোক্কনি অমসুং মণিপুরী ড্রামাগী চহি ১০০ শুরকপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

নিউজিলেন্দ ঃ ভারত অমসুং নিউজিলেন্দনা লৈবাক অনিমক্তা কান্নগদবা ঐতিহ্যাসিক ওইরবা য়ামা আশা লৈবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট য়ান্নখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিউজিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সোন্না লাউথোকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি শ্রী লক্সোনগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখি। ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী মতাংদা ৱারী শান্নবা অদু চহি অসিগী মার্চতা শ্রী লক্সোন্না ভারত্তা লাক্লুবা অদুদা হৌখিবনি। থা ৯ গী মনুংদা য়ামা খোঙজেল য়াংনা এফ.টি.এগী মতাংদা য়ান্নবা ঙমখিবা অদু লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা রাজনীতিগী অনিংবদু পাঙথোকপনি হায়না লুচিংবা অনিনা য়ান্নখি।

ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী লল্লোন ঈতিক্কী চাং শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩ য়ৌরে। পোৎ চৈ লল্লোনবা অমসুং সার্ভিস সেক্তরদনা মমাং চহিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৪ য়ৌখি।

মরক অসিদা কেন্দ্রগী লল্লোন ঈতিক অমসুং উদ্যোগ মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়- ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী ৱারী শান্নবা মায় পাকা লোইশিনখিবা অসিনা লৌমী, ওন্ত্ররপ্রেন্যুর, মহৈরোই, নুপী অমসুং ইনোভেতরশিংদা লল্লোন ঈতিক্কী তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং পীরগনি।

দোনর ঃ দোনর মন্ত্রি জোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা কৌদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লোজিষ্টিক্স অমসুং কন্নেক্তিভিতিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী টাস্ক ফোর্সকী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অষ্টা-লক্সমি রাজ্যশিংবু খা-নোংপোক এসিয়াগী গেটৱে ওইহন্নবগী রোড মেপ পুথোক্তুনা খন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদা দিজিতেল কন্নেক্তিভিতিগী থবক হেন্না খুমাং চাওশিনহন্নবা ৱাফম কয়াসু পুথোক্তুনা খন্নখি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না হায়রি- লৈবাক অসিনা ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা য়ামা আশা লৈনা চংশিল্লিবা অসিদা মঙলান অসি মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা সিভিল সার্ভেন্টশিংনা মরুওইবা থৌদাং য়াগনি। উপ-রাষ্ট্রপতিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ২০২৩-২৪ বেটচকী ইন্দিয়ান দিফেন্স এক্কাউন্টস সার্ভিসকী ওফিসার ট্রেনিশিংগা ৱারী শান্নখি।

উন্নবা অদুদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা নৌনা থবক চংলক্লিবা মীওইশিং অদুদা ইন্তিগ্রিতি, ত্রান্সপরেন্সি, ভিজিলেন্স অমসুং এক্কাউন্টেবল ওইনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী স্বার্থদা থবক তৌনবা তকশিনখি।

কম্মিসন ঃ নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না য়ং রিছার্স ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম- শক্তি স্কোলারস হৌদোকখ্রে। থৌশিল অসিগী মখাদা ভারত্তা নুপীশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা নহা ওইরিবা মহৈরোইশিং অমসুং রিছার্স তৌরিবা মীওইশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। ফেল্লোসিপ অসিনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং নুপীশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দবা, নুপীদা চথুবা হিংশা, আইনগী ওইবা হক অমসুং অচুম্বা ফংনবা হোৎনবা, সাইবর সেফতি, হকশেল অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক ফংহনবা, শেল থুমগী শক্তি পীবা অমদি শিন্মী ওইনা শরুক য়াবনচিংবদা রিছার্স তৌববু পুকিং থৌগৎকনি।

দিআরদিও ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) অমসুং রাষ্ট্রিয়া রক্সা য়ুনিভর্সিতিনা দিফেন্স অমসুং ইন্তরনেল সেক্যুরিতিগী মতাংদা রিছার্স, ইজ্‌কেসন, ট্রেনিং অমসুং টেকোলোজিদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে। য়ান্নচে অদু শকাইরবা সাইন্তিষ্ট অমসুং প্রদক্সন কোওর্দিনেসন অমদি সার্ভিসেস ইন্তরেক্সনগী দাইরেক্তর চন্দ্রিকা কৌশিক্কা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার বিমল এল. পাতেলগা ঙসি নিউ দিল্লিদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগী মমাংদা সহি তৌনখি।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি মঞ্জিন্দর সিংহ্ সিরসানা হায়রি- পি.য়ু.সি য়াওদ্রবদি থাউ পীরোই হায়বা খোঙজং হেক হৌবদগী পোল্লুসন অন্দর কন্ট্রোল সার্তিফিকেট লাখ ২ হেন্না পীখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা লনাই কম্পনিশিংদা গ্রেপ ফোর থৌরাং ইন্নবা আপীল তৌখি অমসুং মদু ইন্দ্রগদি অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না চেকশিন্নবা খঙহনখি। মন্ত্রিনা হায়- দিল্লি পোল্লুসন কন্ট্রোল কমিতি অমসুং ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিগী কম্মিসনারশিংনা ঈশিং নুংশিৎ মোৎহনবা উদ্যোগশিং অমদি আইন্না য়াদবা উদ্যোগশিং থিংজিন্নবা অকনবা খোঙজং চংশিল্লি।

বঙ্গলাদেশ ঃবঙ্গলাদেশকী মোহামদ য়ুনুসনা লুচিংবা মরক্কী সরকারনা এক্সত্রিমিষ্টশিংদা শক্তি পী, ভারতকী মায়োক্তা লেপবা ৱাখল শাগৎহল্লি অমসুং গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি হায়না লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি শৈখ হাসিনানা মরাল শিরি।

পাউগী এজেন্সি অমগা ই-মেলগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নবদা শৈখ হাসিনানা হায়- লৈবাক অদুদা হন্দক থোকখিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু অতমনা লৌখৎপা থৌরাংনি। মহাকা হায়- শ্রী য়ুনুসনা অসিগুম্বা মীওইশিংদা শক্তি শিন্নরি অমসুং ফাদোক তারবা তেরোরিষ্টশিংবু জেলদগী থাদোক্লি। মহাকা হায়- নিউ দিল্লিনা মখোয়গী দিপ্লোমেতিক ষ্টাফশিং অশোই অঙাম থোক্কদ্রা হায়না নুংনাংবা পোক্লিবদু মরম চাই। শৈখ হাসিনানা হায়- ভারত অসি বঙ্গলাদেশকী খ্বাইদগী অচেৎপা মরুপনি অমসুং চহি লিশাং শিৎনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাক্লবা লৈবাকনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ মনিপ্র ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.এন.ই.এফ-মাইকা ময়াংইম্ফালনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু রন ৫১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা অমদা এস.দি.সি লাইফম খুনৌনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৭৮ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিউ.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু রন ২৫ দা থোইখ্রে।

পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রুল মৈত্রমনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১)  খৃষ্টমাস কুম্মৈ, নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরদসু কুম্মৈ অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শারে।

২)  লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি জাতিগী মেথমেতিক্স নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

৩)  ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমীৎতসু মফম কয়াদগী মীয়ামা মেলা অসি য়েংবা লাকখি।

৪)  অফবা লৈঙাক সাসনগী চয়োল পালন ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

অমসুং

৫)  ভারত অমসুং নিউজিলেন্দনা লৈবাক অনিমক্তা কান্নগদবা ঐতিহাসিক ওইরবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট য়ান্নখ্রে।

--- পাউ লোইজরে---